# শিন্মীশিংগী নুমিৎনা ফাওহল্লকপা ৱাখল



**– এস ইন্দ্রকুমার–**

হকচাং ফন্না, পূক্নিং-ৱাখল অনীগী খল কায়হন্দনা থমদুনা হিংনবগীদমক নোংমদা ঐখোয় পুং ৮দগী তাদনা তূমগদবনি... অখঙ অহে মেদিকেল প্রাক্তিস্নরশিংনা হায়বনি। 'তূম্বা য়াদবা' হায়বসিসু অচৌবা দিসওর্দর অমনি, লায়না মখল অমনি... মরম কয়াদগী ওইবা য়াই- নহা ওইরিঙৈদই তারক্লে। ঙন্না তূম্বা, ঙন্না হৌবা - হকচাং ফন্না লৈনবগী লাইৱানি - অহলশিংনা হায়নরকই। ঐনা মহৈরোয় ওইরিঙৈ, এগজাম টেন্সন অমগা, য়ূমদই শেলথারকপা থেঙনা ফংবগা অনী পাদুনা অহিং তূম্বা য়াখিদবা... চাবা থকপা য়ারকখিদবা, ৱাখল চোইগে তৌরকপা তানফম অমা মায়োক্লখিবা, ডাক্তর অমগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংখিবদু নীংশিংলি। ওন্থোকপা মখলগী অনাবনি। ৱানা খাঙখি ঐ।

পুং ৮ পোত্থাবা, পুং ৮ তূম্লুবা, পুং ৮ থবক শুবা... মে দে হায়না খঙনবা, মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ - ২০২৬, মে তারিখ অমা, ওল মণিপুর বেঙ্ক এমপ্লোয়িজ এসোসিএশন'না শীনবা থৌরমদু য়াওরুবদা নৌহৌননা নীংশিংলকখি। ১৯শুবা চহীচা, মালেমগী লৈপাক অয়াম্বদা , ফেক্টরি-মিল কল-কারখানানচিংবদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংবু, শিনশঙ মপুশিংনা পুং ২৪গী মনুংসিদা পুং ১৪দগী ২০ ফাওবা থবক শুহনব'নচিংবা মওং অমগী মীওৎ-মীনৈ চত্থরকপদুগী মায়োক্তা অমেরিকাগী চিকাগো সহরদা দিমান্দ অসি তৌরদুনা ১৮৬৬, মে তারিখ অম'দা শিন্মীশিংগী অচৌবা ৱাকৎ-খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদু অমেরিকা অমসুং কেনাদাগী নীংথিনা ওর্গনাইজ তৌরবা ত্রেদ এন্দ লেবর য়ুনিয়নশিংগী অপূনবা লূপ (ফেদরেশন) অমনা শীনখিবনি। লূপ অদু কাইনথঙদা 'অমেরিকান ফেদরেশন ওফ লেবর' হায়না খঙনরকখি।

পূম্নমক্না খঙনরবা ৱারীনি। নৌনা অমুক লীজররোই। অদুবু, ৱাথোকসিগা মরী লৈনবা ৱারেং অমা ইগে কলম পায়খৎলুরবনা, থৌদোক্তুগা মরী লৈননা তঙাইফদবা ৱাফম খরদি পল্লম্বা তা'মাল্লে সিগ্নিফিকেন্স মাঙদনবা। অমেরিকা'দা মে দে থোকখিবা শিন্মীশিংগী অকনবা ঈহৌ অমা নীংশিংদুনা পাঙথোকপা থৌরম অমা ওইরবসু, অমেরিকাদদি শিন্মীশিংগী নুমিৎ 'লেবর দে' অসি চহী খুদিংগী সেপ্টেম্বর থাগী অহানবা নিংথৌকাবা নুমিৎ'তা পাঙথোকই। শিন্মীশিংগী অকনবা ঈহৌ অসি মফম মরাং খঙদনা খঙহৌদনা/এক্সিদেন্টেল্লি হৌরকখিবা ঈহৌ অমা নৎখিদে। শিনশঙ খরদা শিনশঙ মপূনা শিন্মীশিংবু নোংমগী মনুংদা পুং ১৪/১৫, কুনফাওবা থবক শুহনবা য়াওরবসু, ১৮১৭ অদুৱাইদা অমেরিকা'দা সরকারগী ওইবা থবক শুবই মতমসি, নোংমদা পুং তরা ওইরম্মী। নোংমগী পুং কুন্নমরিবু অহুম থোক্না খায়দোকপগী ৱাখল্লোন অসি ওষ্ট্রেলিয়ারোমদগী হৌরকখিবনি। ১৮৫০গী মতম য়ৌরকপদদি মালেমগী লৈপাক অতৈদসু ৱাখল্লোনসি অচুম্বনি খন্নরক্লে। ১৮৫৮দা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুঙগী থবক শুবা শিন্মীশিংগী থবক্কী পুংফম, নোংমদা পুং নিপান'দা লেপখরে। ওষ্ট্রেলিয়ান গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ'সিনা, অমেরিকাদা লৈরিবা ত্রেদ য়ুনিয়নশিংদা অকনবা ইথিল পীখি। ১৮৬৬তা য়ুনিয়নশিংগী মীহুৎশিংগী অপূনবা মীফম অমা ফমদুনা 'নেশনল লেবর য়ুনিয়ন' শেমখি, লোয়ননা অমেরিকাগী ষ্টেট পূম্নমক্তা থবক শুরিবা শিন্মী পূম্নমক্কী থবক শুবই মতম, পুং ৮ ওইগদবনি লাউথোকখি। ১৮৮৪, অমেরিকান ফেদরেশন ওফ লেবর'না ৱারেপ অমা লৌখি। 'মে ১,১৮৮৬তগী অমেরিকাগী শিন্মীশিং নোংমদা পুং ৮দগী হেন্না থবক শুররোই'। শিন্মীশিংগী ৱারেপ্পুনা অমেরিকান গভর্ণমেন্টপু শাউহনখি। ৱারেপ অদু থবক ওন্থোকপগী ৱাফম লৈখিদে। লৈঙাক-ওথোরিটি অমসুং শিন্মীশিং - অনীগী মরক্তা অচৌবা মূক্নবা অমা থোক্লকখি। অমেরিকান ষ্টেটশিংগী অচৌবা সহর পূম্নমক্তা মে ১,১৮৮৬, শিন্মীশিংগী অচৌবা খোঙচৎ (মাস রেল্লি) অমা চৎতুনা ষ্ট্রাইক তৌনি লাউথোকখি। মফম ১৫০০দা চঙশিনখিবা ষ্ট্রাইক-খোঙজং অদুদা শিন্মী লাখ মঙারোম'না শরুক য়াখি, মরু ওইবা সেন্টর, চিকাগো'দা ওইরকখি।

নুমিৎ হুম্নি চূপ্না লাউখিবা, শিন্মীশিংগী খোল্লাও, মরিনি চনবা নুমিৎ মে ৪, ১৮৮৬, অৱা-পোলোই (ত্রেজিদি) হায়নবা দ্রামাগী মচৎ অদুগুম খঙহৌদনা লোইশিনবা তাখি। অমেরিকান পুলিস'না মীয়াম'-মরক অদুদা তমথীবা-এটেক চত্থরকখি, বোম অমা পোকখায়রকখি। চিকাগোগী 'হে-মার্কেট-স্কোয়র' হায়না খঙনবা মফমদুদা শকখঙদবা অমনা লংলিল্লকখিবা বোম'দু ওফিসর তরেৎ অমসুং মীচম মরিগী পূন্সি মাঙখি। মে ৪গী থৌদোক, 'হে-মার্কেট-এফ্যার' হায়না খঙনবসি থোক্লমদবা য়ারম্বনি। মে ১গী ষ্ট্রাইক মনুংদা, শান্তি ওইনা চঙশিল্লিবা ৱাকৎ-খোঙচৎ অদুদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা শিন্মী অনী শিখিবদুনা খোঙজং মখা চত্থহনখিবনি।

মীয়াম মরক্তা বোম লংশিনবগী থৌদোক্তুদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা শিন্মী নিপাল অমেরিকান পুলিস'না ফাগৎখি। ৱায়েলশঙনা মখোয়বু মতিক চাবা প্রমানগা লোয়ননা থৌদোক্তুদা চেন্নে হায়বা ঙমখিদ্রবসু, মখোয় তরুক (অলবর্ট পারসন, অগষ্ট স্পাইজ, এদোল্ফ ফিসর, জিওর্জ এঞ্জেল, লোয়স লিঙ, সেম্যুঅল ফিন্দেন) শিবগী চৈরাক লাউথোকখি। স্কার নীবে'বুনা চহী তরামঙা কৈশুমশঙদা লৈবই চৈরাক পীখি। পূন্সি চূপ্পা জেলদা লৈহন্নবই চৈরাক লাউথোক্লুবা 'মাইকেল স্কাব'পুদি ১৮৯৩দা মরাল কোকথোকপীখি।

পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা শিখিবা মখোয় অনীগী অকূপ্পা মরোল ফংবা ঙমদ্রবসু, 'হে-মার্কেট থৌদোক'দুদা কোর্ট'না মরাল লৈরে লাউথোকখিবা মখোয় নিপানগী মফমদদি 'মে-দে' খুদিংদা হৈ-লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নে, খুরুম্মী। মখোয়গী মমিংখক খঙবা/নীংশিংবা নত্তবা, মখোয় কনা কনানো-করি শিনফম পায়রম্মী হায়বনচিংবা ৱাফম খরসু নীংশিংবা তঙাইফদবরা খন্দুনা ইজরিবা ৱারেংনি। ইশম-শম্না পঞ্জরমগে।

১) অলবর্ট পারসন (১৮৪৮-১৮৮৭) : অথৌবা মখোয় ৮গী মনুংদা অমেরিকান মথন্তনি। সরকার (গভর্ণমেন্ট) হায়বসি মূত্থৎলগা অমগা অমগা থাজনবা/নুংশিনবনা লীপুন ওইবা খুন্নাই অমা শেমগৎকদবনি হায়বা ৱাখল্লোনসিদা থাজবা, এনার্কিষ্ট ন্যুজপেপর 'দ এলার্ম'গী এদিটর ওইরম্মী। টেক্সাসতগীনি। মহাক্কী নুপী, হ্যুমেন রাইট এক্টিভিষ্ট 'লুসি' অমদি মচা অনীগা লোয়ননা, মখোয়দি হে-মার্কেট থৌদোক থাক্তিঙৈ' মমাঙদা মফমদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবনি। ফাঁসি তৌদ্রিঙৈ হেক মমাঙদা লাউরম্বা মহাক্কী অরোইবা খোল্লাওনি... 'ঐবু ৱাহৈ অমত্তং হায়হনবীয়ু... মীয়ামগী খোল্লাও মীয়াম্না তাবা ওইসনু'।

২) অগষ্ট স্পাইজ (১৮৫৫-১৮৮৭) :- জর্মন'দগী তীন-এজর অমা ওইনা অমেরিকাদা লাকখিবনি। ১৮৭৭তা পাঙথোকখিবা, রেল-লম্বীদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী খূৎশুমল হন্থহনখিবগী মায়োক্তা হৌবা নুমিৎ ৫২গী 'রেল-রোদ-ষ্ট্রাইক' অদু য়াওরুরবা মতুং অকনবা সোসলিষ্ট অমা ওইরকখি। মে ৪গী হে-মার্কেট-থৌদোক্তুগী হেক মমাঙ, মে ৩দা মীয়ামদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদু মমীৎমক্না উহৌই চোংথোকখিবা মীশক্তুনি। মঙক্তা থৌরী থুরমদাইমক্তদা হায়রম্মী ...'থৌরী চরম মেৎখায়দুনা নমহৎপীখ্রবা ঐখোয়গী চীনবাল লানখিদ্রবা খোঞ্জেল, নোংমদি মালেম শিন্না তারকখিনি।

৩) এদোল্ফ ফিসর (১৮৫৮-১৮৮৭) জর্মনদগী অমেরিকাদা নৌরিবা নহা অমা ওইনা থুংলখিবা ফিসর, শিন্মীশিংগী অখন্নবা পাউচে 'অর্বেটর-জেতঙ' গী শিন্মী অমা ওইরম্মী। কেসতুগীদমক চত্থবা ৱায়েল'দুদা মহাক্না হায়খি...'ঐবু কেসসিদা ফাখিবদি মীহাৎপগী মরালদনি অদুবু ইরাল লৈরে লাউথোক্লিবসিদি গভর্ণমেন্টপু থাজদবা 'এনার্কিষ্ট' অমা ওইবগীনি। শিরমদাই, মহাক্কী অরোইবা ৱাহৈনি 'ঐগী পূন্সিগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা/অপেনবা মীকুপ অদু হৌজিক্নি'...। ওটোগ্রাফ'তা ইরম্মী... 'Anarchy is liberty'।

৪) জিওর্জ এঞ্জেল (১৮৩৬-১৮৮৭) :- জর্মন'দা লৈরিঙৈ, নৌনা মমা-মপা অনীমক কায়নখ্রবা এঞ্জেল, অঙাং ওইনা শিন্মী অমা ওইরকখি। মালেমগী মীওই পূম্নমক্তুম, নুংঙাই-মঙলান পুদুনা, ১৮৭৪, চিকাগোদা লাক্তুনা শান্নপোৎকী দুকান অমা হাংদোকখি। মহাক্না হায়, 'পৎ-তৎ'না লায়রবা শিন্মী অমা ওইরকখিবদুনা ঐহাকপু এক্টিভিষ্ট অমা ওইহল্লকখিবনি... শিন্মীশিংনা মীনায় ওইনা লৈরিমখৈ, পোলিটিকল ফ্রীদম সূপফং ফংলোই'...।

৫) লোয়স লীং (১৮৬৪-১৮৮৭) : থৌদোক্তুগী হেক চহী অমই মমাঙদা জর্মনিদগী অমেরিকাদা থুংলখিবা লীং, মশাগী চহী ২৩দা অথৌবা (সহীদ) ওইখি। মশাগী চহী ১৩ শুরকপদা অপোকপা মপা মশাগী শিনফম পাঙলিঙৈ থোকপা এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদবা, শিনশঙ মপুগী মতেং অমত্তা ফংখিদবদা, সোশল সিষ্টম অমদি ইন্সটিট্যুশনশিংদা খম থেংনা ৱারৌখি; সমাজসিবু তুক্কচখি। তশেংবসু মহাক দাইনামাইট-বোম শারমখি। হে-মার্কেট'তা শীজিন্নখিবা বোম অদুদি মাগী কাদগী ফংখিবা বোম মখলদুগা মান্নরমদে। ফাঁসি তৌগদবা নুমিৎতু নোংমা ৱাৎলিঙৈ, কৈশুমশঙগী কাদুদা মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিরমখি।

৬) সেম্যুঅল ফিলদেন (১৮৪৬-১৯২২) : ইংলেন্দগী খম থেংনা লায়রবা ইমুং অমদগীনি। অঙাং ওইনা ফি-শাবা-ফেক্টরি অমদা শিন্মী ওইরকখি। শা-ঙাগী পূন্সি মরেল অদুমক্নি। খৃষ্টিয়নিতি-শন্দোকপা মীশক অমা ওইরম্বদগী, লাই-থাজদবা মীশক অমা ওইরকখি। সোশলিজমদা থাজখি। 'সমাজগী ফত্তবা, য়েংহৈ-উহৈদবা খুদিংমক্কী হৌরকফমদি লায়রবনি, লায়রবা মূত্থৎকদবনি'। অফবা ৱাঙাঙলোয় অমসু ওইখিবা সেম্যুঅল, হে-মার্কেট'তা বোম পোকখায়রকপা মতমদুদা ফম্বাক্তা ৱা ঙাঙলল্লি। পূন্সি-বন্দি তারবা ফিলদেন, ১৮৯৩দা গভর্ণর'না মরাল কোকপীখি।

৭) ওস্কার নীবে (১৮৫০-১৯১৬) : অমেরিকাদা পোল্লবসু অপোকপ'না নাৱা ওইনা জর্মনিদা পুরুরবা নীবে, পাখঙ-মচা ওইরবা কাল অমেরিকাদা অমুক হল্লকখি। শিন্মীশিংগী হক তানবগী খোঙজংদা মাঙজিল থারকখি। 'রেলরোদ ষ্ট্রাইক'তসু অচৌবা থৌদাং য়ারকখি, অফবা ওর্গনাইজর অমনি। চহী তরামঙা কৈশুমশঙদা অকনবা থবক শুহন্দুনা থম্বই চৈরাক লাউথোক্লবা ওস্কার'না ৱায়েল মপু'দা হায়খি... 'ঐগী য়ূমদা, লাইসেন্স পায়বা নোংমৈ অমা ফংখিবদু নত্তনা বোম লংশিনবগী থৌদোক্তুদা ঐহাক চেন্নে হায়বগী প্রমান কোর্টনা পীবা ঙমদরে... চীং লেম্বা ঐবু হাত্তোকপীবদুনি পামজবা... ঐগী মরূপ ইপাংশিংগা লোয়ননা ইঙক্তা থৌরী থুদুনা হাৎলরোই হায়বদুগীদমক হায়নীংঙাই লৈত' নুংঙাইতে'...। মহাকপুসু গভর্নরনা মরাল কোকপীখি।

৮) মাইকেল স্কাব (১৮৫৪-১৮৯৮) : জর্মন'দা পোকপা স্কাব, সোসলিষ্ট অমা ওইনা অমেরিকা'দা লাকখি। মমা-মপা অনীমক লৈখিদ্রবা মহাক, লাইরিক বাইন্দিং তৌবগী থবক তৌরকখি। খুন্নাইদা অহোংবা পুরকপগী তঙাইফদবগী মতাংদা ৱারেং কয়া ইদুনা ফোঙখি। 'অবট-জেতং'-পাউচেগী কো-এদিটর ওইরম্মী। বোম পোকখায়দ্রিঙৈ মমাঙদা হে-মার্কেট'তা ৱা ঙাঙলম্লগা অতোপ্পা মীফম অমদা ৱা ঙাঙনবগীদমক্তা মফমদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবনি মহাক্তি। মহাক্না হায়... 'ঐগী ইৱাল করিসু নত্তে, পাউচেদা আর্টিকল (ৱারেং) ইদুনা ফোঙবা অমদি মীয়ামদা ৱা ঙাঙব'সিনি'...। মীবু ময়াই কাহনবা ৱারেং ইবইদমক পূন্সি চূপ্পা কৈশুমশঙদা থম্নবা চৈরাক পীরুবা, ১৮৯৩দা মরাল কোকপীখি।

মে দে, চহী খুদিংগী মে তারিখ অমদা শিন্মীশিংগী হক কন্নবা চঙশিনখিবা অন্দোলন অদু নীংশিংদুনা ৱারী লীরি মখোয়গী। নোংমই শিন্থা লেপ্পুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লি। মশামক শিন্মী অমনি হায়বা ৱাখল অদুদি কাউথোক্লি। অশেংবদি, থবক শুবা শিন্মীনি হায়বা কাউখ্রবা শিন্মীশিং অদুননি ঙসি 'শিন্মীগী নুমিৎ' থৌরম পাঙথোক্লিবা। ●

# সাহিত্য একাদেমিগী ফেষ্টিবেল ওফ লেটর্স ২০২৬কী মপাউ - মরিশুবা শরুক



**– তোংব্রম অমরজিৎ –**

খোরিরোলদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি মীৎয়েং কয়াদা খূৎ থাদুনা নহা ওইরিবা অইবশিংনা ইন্দিয়াগী লিটরেরি লেন্দস্কেপ অসিদা ইনৌ নৌবা মহাও কয়া পীরক্লি। মসি পূক্নিং থৌৎনীংঙাইসু ওইরি। ঙসিগী নহারোলশিংনা হয়েংগী মীরোলগী লমজিং মৈরাসু ওইরি। অদুনা নহা অইবশিংদা ফিরাল শিন্নবা, মখোয়দা থাজবা থম্বা অমদি মখোয়বু থৌনা হাপ্পা তঙাইফদে। মখোয়গী থৌরবা কলমগী মচিননা হিমায় চুমগদৌরিবসি জাতি অমনি, মীরোল কয়ানি। অমরোমদা অমুকসু ঙসিগী নহা অইবশিং অসিমক কলচরেল এম্বেসেদর ওইনা থবক তৌরি হায়বা য়াই। মরমদি মখোয়গী কলমদা য়াওরিবসি অহিংবা খুন্নাই অমগী পূন্সিরোল অমদি খুন্নাইলোল পূম্নমক অদুনি। ইনাকখুল্লবা ইন্দিয়াগী কলচরেল হেরিটেজ, খুন্নাইগী শক্তম, কন্টেম্পররি ইস্যুশিং পূম্নমক লাচল্লি লেপ্পুনা, শৈরেংদা ৱারেংদা। ঙসিদি দিজিটেল মীদিয়াগী তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদা খোরিরোলগী তোপ তোপ্পা মহাউ অদুসু পীনরক্লি। মসিসু চাওখৎলকপনি করম্না হায়দবা ঙমগনি। ঙসিদি সোশল মীদিয়াগী খূত্থাংদা মান্নদবা লোল কয়াগী মরক্তা হেন্না নকশিন্ননবগী থোং অমসু ত্রান্সলেশনগী মতেংনা হেন্না নকশিন্নবা হেল্লক্লি। মসিসু য়াম্না নুংঙাইবা অমদি কান্নবা হীরম অমনি। অচৌ অচৌবা লিটরেচরগী ফেষ্টিবেল কয়া চহী খুদিং শিল্লকপা অমদি হেন্না লাইরিক পাবগী চাং ৱাংখৎলকপা, খঙনীংবা হৈনীংবা মশীং য়াম্লকপনা অহোংবা অওনবা কয়া মালেমগী খোরিরোলদা থেংনরক্লি। হন্দক ২০২৪গী ওইনা লিটরেচরদা নোবেল প্রাইজ ফংখিবী সাউথ কোরিয়াগীসু অহানবা প্রাইজ অসি ফংবা অহানবা অইবীসি মশাগী চহী ৫৩ খক্তা ঙাইরিবা মতমদনি লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা অসি পীবগী লাউথোকখিবদু। মহাক্কী খূৎই, মফোংদোক, থিম, মহাক্কী ক্রাফ্টসমেনশিপ পূম্নমক কূপ্না নৈনখি। তরাই তরাইনা হেক্তা পীবা নত্তে, নোবেল প্রাইজ। হান কাং মতিক চাবী অইবীনি। নহা ওইরি। চহীদা থোইনা লৈতে হায়বদু মহাক্না লেঙদ্রবা খুদম্নি। ৱাখল অমসুং থম্মোয় অসিনি য়াম্না মরুদি। মসিগী মথক্তা অচুম্বা মীৎয়েং অসিসু তঙাইফদে। অমম্বা লম্বেলদা মঙাল উবা ঙমহল্লবা, থাজবা মাঙলবা মতমদা আশা পীরিবা কলম, নুংশিবগী ইরিক কংখ্রবদা পূন্সিবু নুংশিহল্লিবা ৱারী ইরিবা কলমনা কৈদৌনুংদা মায়থীগদবা লৈতে।

সাহিত্য একাদেমিগী ফেষ্টিবেল ওফ লেটর্স ২০২৬কী শরুক অমা ওইনা একাদেমি অসিনা ২০১১দগী হৌদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা একাদেমিনা মশক খঙলবা লোলশিংদা ইরিবা মশাগী চহী ৩৫ মখাদা লৈবা নহা অইবশিংদা চহী খুদিংগী পীবা সাহিত্য একাদেমি য়ুব পুরুস্কার ২০২৫গী ওইনা মনা লান্থোকপগী থৌরম অসি ন্যু দেল্লীদা লৈবা শ্রীরাম সেন্টর ফোর আর্ট এন্দ কলচর ওদিটোরিয়মদা হৌখিবা এপ্রিল ১,২০২৬তা পাঙথোকখি। ফেষ্টিবেল অসিগীদি হুম্নি চনবা নুমিৎনি। হৌজিক হৌজিক একাদেমি অসিগী সেক্রেটরিগী থৌ পুরিবী Smt. Pallavi Prashant Holkar না থৌরম হৌদোকপদা অসুম্না হায়, "Young people bring dynamism and are often the heralders of social change. They are at the core of the catalysts that bring change and drive progress of the entire society. But they have to be groomed…Young writers as character builders create responsible citizens who are aware of the history and heritage of the society and also acutely aware of the necessary steps to create a sustainable and shared living a reality" সেক্রেটরি পল্লাভিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি য়াম্না মরু ওই। ইনি দয়াগুম্বা মালেমগী সুপর পৱার তানখৎলক্লিবা লৈবাক অসিদা নহাশিংগী হ্যুমেন রিছোর্স অসিগী শীংথানীংঙাই ওইরবা থৌদাং অসুক্কী মতিক চাউই। অফবা নাগরিক অমদি অফবা তুংলমচৎকী খুন্নাই অমা শেম্বদা নহা ওইরিবা অইবশিংগী থৌদাং অসিমক য়াম্না চাউই। মণিপুরী লোলগী ওইনা এ কে জিতেনগী 'খোইয়ুম নোংদম কাও' হায়রিবা খগু কব্য অসিদা লেমজনীংঙাই ওইরবা য়ুব পুরুস্কার পীখি। ৱারেং অসিবু ইজরিবনা হেন্না নুংঙাইজরিবদি হন্দক জিতেনগী মনা ফংলবা লাইরিক অসিগী বূক কভর অসি দিজাইন তৌবা অমদি অয়েকপা লাই ওইনা শেমজবদা শরুক য়াজবা ফংখিবা অসিনি। লাই য়েকপা অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিংগী বূক কভর দিজাইন তৌরকপদা অইবশিং অদুনা অমুক মখোয়গী লাইরিক অদুনা মনা-মথুমশিং ফংলকপদা অইবা অদুনা হরাওজবদা লাই য়েকপা মখুম য়েকপা অমা ওইনা অমুক্তা হেন্না চাউথোকচবা মীৎকুপশিং য়াওদবা নত্তে। এ কে জিতেনগী য়ুব পুরুস্কার অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশীং ৫০, শোল, শাইতেশন অমদি কোপ্পর প্লেগ অমা য়াওরি। নহা অইবশিংবু অসুম্না পূক্নিং থৌগৎপা অসিনা তুংদা হৌরক্লিবা নহা ওইজরিবা অইবা কয়াদা ইনিংবগী ঈনোৎ লেপ্পুনা হাপ্লী।




অইবশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরম মরক্তা পেনেল দিস্কশনসু লেপ্পুনা পাঙথোকখি। অসিগুম্বা থৌরম মরক অসিদা হান্নগী কেরলা অমদি বিহারগী গভর্ণর ওইরম্বা শক্লাইরবা স্কোলর Shri Arif Mohammad Khan না মোদরেটর ওইদুনা 'Bhakti Literature-Past and Present' হায়বসিদা খন্ন-নৈনখি। মোদরেটরগী ৱারোল পীরদুনা মহাক্না অসুম্না হায়, "The medieval Bhakti literature of India also contributed immensely to the social re-engineering of the society as devotional texts, by providing common goal to the masses, removed social stratifications and other barriers. Modern writers and singers reinterpret these classical compositions, keeping the spirit of devotion alive while adapting it to contemporary audiences. None of the medieval saint-poets claimed originality but always cited Vedas, Itihasas and Puranas as a source of fountain out of which all the knowledge derived." ঙসি হিংশানা লাঙ্গৌই চল্লক্লবা মালেমসিদা ভক্তি লিটরেচরগী থৌদাং অমদি মরু ওইবসি নোংম-নোংমগী নেহগৎলক্লি। অচুম-অরান, অফ-ফত্ত করিনো হায়বা খঙনরক্তুবা মতম অমা ওইরক্লি ঙসিগী খুন্নাই অসিমক। ফত্তবা থবক তৌরগা অঙম্বা শক্লিবা, তাইবঙবু মৈনুংদা লংশিল্লগা শক্তি লৈবনি খল্লিবা দিটেক্টরশিং মখোয়বু মীৎকপ থোকহনবদা ভক্তি লিটরেচরনা তেংবাঙগনি থাজে। পূন্সি অমদি লাইনীং লম্বীনা করিনো, পূন্সিগী ৱাহন্থোক অসিনা কদায়বুনো হায়বনচিংবা কয়া শৈরেংদা, ঈশৈদা হৌজিক ইদুনা, পাদুনা নৈনদবা য়ারক্লে। মসিদনি খোরিরোলগী মরু ওইবসু হেনগৎলক্লিবা। ●

# বাংলাদেশতা অহিং অহুম -২১

**– আর কে বুধিমন্ত কর্টা –**

Tamana Rahman গী মতুংদা বাংলাদেশকী শক্লাইরবী জগোয় শাবী Warda Rihab পু কৌথোক্লবা তুং মহাক্কী বাইও-দাটা অমুক পাথোরকপদগী খঙবা ঙমখি মদুদি - মহাক য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈ, নৌরিঙৈদগী ঈশৈ-নোংমাই, জগোয় শাবা অদুম পামজনা লম্ অসিদা অদুম চঙবা হৌরক্লে। মহাক হৌজিক য়ুনিভর্সিটি ওফ ধাকাগী দান্স দিপার্টমেন্টতা এসিস্টেন্ট প্রোফেসর ওইনা জগোয় তম্বীরি। মহাক্না ইহান হান্না মণিপুরী জগোয় তম্বা হৌবসি বাংলাদেশকী মীয়াম্না শকখঙনরিবী শ্রীমতি শর্মিলা বেনর্জি অমসুং Tamana Rahman হায়রিবা শক্লাইরবী দান্সর অনীসিদগী 'Chayanaut' হায়বা বাংলাদেশকী য়াম্না লেমজনীংঙাই ওইবা কলচরেল ওর্গনাইজেশন অসিদা তমখি। মসিগী মতুংদা শক্লাইরবী গুরু কলাবতিদা মণিপুরী জগোয় মখা তমথখি, গুরু কলাবতি অসি ধাকাদা লৈবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিশনগী কলচরেল সেন্টরদা মণিপুরী দান্সকী গুরু অমা ওইনা লৈরিঙৈদনি। ৱারদা 'পুঙ' অমসুং 'থাঙ-তা' গী মহৈসু ওজা থোইবা অমসুং ওজা চীংথাম রঞ্জিৎতগী তম্বা ফংজখি। মহাক রবিন্দ্র ভারতি য়ুনিভর্সিটিদা আই সী সী আর স্কোলরশিপকী মখাদা বেচলর ইন ম্যুজিক ফাওবা মখা তমথখি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা তন্নিঙৈ ম্যুজিক এন্দ দান্সতা মার্ক খ্বাইদগী ৱাংনা ফংদুনা গোল্ড মেদলিষ্ট ওইবা ঙমখি। মহাক ধাকাদা লৈবা Chayanaut Sangeet Viddayatan গী স্কোলরশিপ মখাদা রবিন্দ্র ভারতি য়ুনিভর্সিটি অসিদা মণিপুরী জগোয়দা এম এ ফাওবা লোইশিনখি। কোলকটাগী শক্লাইরবী দান্সর গুরু কলাবতি অমসুং গুরু বিম্বাবতিগী মখাদা Legendery Manipuri dancer guru Bipin না লিংখৎপীরল্লবা 'Manipuri Nartanalaya' কোলকটাদা মণিপুরী জগোয় মখা তানা তমথখি। মহাক মণিপুরী জগোয়গী ওজা শান্তিবালা অমসুং Darshana Jhaveri দগী থোইদোক হেন্দোকপা অরুবা মখল কয়াসু তম্বা ফংখি। Warda Rihab কী হোৎনবা কন্নবা অমনা মহাক য়ুনিভর্সিটি ওফ ধাকাগী ফেকল্টি ওফ বিজিনেসতা এম বি এসু লোইশিনখি। মহাক Chayanaut Sangeet Viddyatan দা মণিপুরী জগোয় তাকপী তম্বীরি অমসুং "Dhriti Nartanalaya" গী ফাউন্দর Artistic Director নি।

নেশনল অমসুং ইন্টরনেশনলগী থাক্তা মহাক্না শরুক য়াখিবা খরদং পল্লবদা Bengal Classical Music Festival, Dhaka; National Devadasi Festival (Orissa); Udai Sanker Dance Festival (Ujjain); Manipuri Festival Kolkata; 9th National Cheoreography Festival of New Delhi; Kala Ghoda Festival Mumbai; Devdasi Festival Bhuvaneshor, Orissa অমসুং USA, Australia, India, Nepal, Germany, Kuwait, Japan, Bhutan, Qatar, Korea,Turkey, Thailand, Myanmar অমসুং Belgium নচিংবা লৈবাকশিংদা মহাক্কী জগোয় পর্ফোর্মেন্স উৎখ্রে। ৱারদাগী বাইও-দাটা অসি তারবা তুংদা ঐনা খনখি মণিপুরী জগোয় অসি ঙসিদি মালেমগী থাক য়ৌরবা জগোয় অমনি। মণিপুরী জগোয় অসি মণিপুরী মচা ঐখোয়খক্তনা শাবা জগোয় নৎত্রে হায়বসি ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। মণিপুরদগী হৌখিবা মণিপুরী জগোয় ওইরবসু ঙসিদি চাউর-চাউরবা মালেমগী দান্স ফেষ্টিবেল কয়াদা মণিপুরী জগোয়গী পর্ফোর্মেন্স অসি মণিপুর হায়রিবা ষ্টেট অসিগী আর্টিষ্টশিংনা শরুক য়ারুদ্রবসু মণিপুরী জগোয় অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা জগোয় অসিবু নীংথিজনা হৈরবা দান্সর কয়ানা মণিপুরী জগোয় অসি শরুক য়ারি অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদা মণিপুরী জগোয় অসি য়াম্না থৱায় য়াওনা তাকপী-তম্বীবা মণিপুরী জগোয়গী দান্সর কয়া লৈরি হায়বসি ঐখোয়না খঙগদবনি। মহাক্না মণিপুরী জগোয়দা কথোক্লিবা অসিগী মহয় ওইনা Rabindra Bharati University গী গোল্ড মেদলিষ্টনি। বাংলাদেশ মহিলা পরিষদনা পীবা Shikriti Shanmanona Award সু ফংখ্রে, Nritya shiromoni Award, Andha Pradesh, India; Natya Sharadhi Award, Cuttack, Orissa; Dr. Hiromony Banarjee Memorial Award; Award of Rabindra Bharti University, Kolkata (RBU); Dr. Nirod Baron Memorial Award (RBU); Sringermani Award, Mumbai; West Bengal Rajya Sangeet Academy Award in Manipuri Dance; Sangeet Bibhakar Award; Dhaka University Award '06, National Education Week Award in Bangladesh অসিনচিংবনি।


বাংলাদেশকী দান্সর Warda Rihab অমসুং মৈতৈ নিংঙোল Shantona

চীফ গেষ্টনা Warda Rihabta সু ইকায়খুম্নবগী মেমেন্টো খূৎশিন্নরবা তুং, মথংদা মৈতৈ নিংঙোল Shantona গী বাইও-দাটা অমুক পাথোরকই। Shantona অসি বাংলাদেশকী মচিন তুমখৎলক্লিবী জগোয় শাবীনি। ১৯৯২দা মহাক্না গুরু হরিদাসতগী জগোয় তম্বা হৌখি, মতুংদা Biplab Kar অমসুং Munmun Ahmed কী মখাদা 'Kathak' জগোয়সু তমখি মতুংদা শুক্লা সরকারদগী 'Bharatanatyam' জগোয় তমখি। ১৯৯৫দা মহাক 'Nutun 'Kurir' ফেষ্টিবেলদা কথকতা অহুমশুবা মনা ফংখি। ১৯৯৬তা নেশনলগী থাক্তা Silpakala Competition দসু অহুমশুবা তাই অদুবু মণিপুরী জগোয়দদি চহী অসিদা নেশনল চিলদ্রেন্স এৱার্দ কম্মিটিশনদা অহানবা মনা ফংবা ঙমখি অমসুং ১৯৯৭তদি মহাক্না নেশনলগী থাক্তা মণিপুরী জগোয় অমসুং জেনরেল দান্সতা ফর্ষ্ট, কথকতনা থর্দ তাই । অসুম্না মহাক্কী অহৌবা খোঙচৎ ওইরম্বদগী ইন্দিয়াগী কোলকটা য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা মহাক্কী জগোয় উৎখ্রে। ২০০৫দা চাইনা, রুসিয়াদনা ২০১৫ অমসুং অসামদা ২০১৬তগী ২০২৪ ফাওবা বাংলাদেশ হায় কম্মিশননা শিন্দুনা বাংলাদেশ নেশনল দে খুদিংদা শরুক য়াখ্রে। মহাক মণিপুরগী সঙাই ফেষ্টিবেলদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না চেবাউ পীরক্তুনা অহুল্লক শরুক য়াখ্রে; ২০১০দা ত্রিপুরাগী আগরটলাদা পাঙথোকখিবা মণিপুরী দান্স ফেষ্টিবেলদসু শরুক য়াখ্রে। মহাক গুরু কৃষ্ণগী মখাদা ২০০৩দগী ২০০৮ ফাওবা জগোয় তমজখি। মতুংদা মণিপুরদা চৎতুনা গুরু সেরাম রাসেশ্বরিদগীসু জগোয় তমখি। ২০১৯দদি গুরু ইবেম্মুবীগী মখাদা Manipuri Adi Nritya 'লাই হরাউবা' অমসুং Nrityalekha 'কংলৈ অনৌ' তমখি। ২০২৩দগী ২০২৫ ফাওবদা গুরু ইবোতোনগী মখাদা "Raas Nritya" অমসুং ভঙ্গী পরেং (শাথেক) মঙাসু তম্বা ফংজখি। ২০২৩দদি মহাক্না "Academy for Manipuri Culture and arts" কৌবা ওর্গনাইজেশন অমা লিংখৎলে। মহাক চাং নাইনা Dhaka Shilapa Kala Acadamy না শিনবা ক্লাসিকেল দান্স ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াই, Chanayat's Classical Dance Festival, Dhaka Shilpa Kala Acadamy গী নেশনল দান্স ফেষ্টিবেলদসু শরুক য়াখ্রে। চাইনিজ ন্যু য়রগী থৌরম অমদা মহাক্না দিরেক্সন তৌবা Chitrangada, Taser Desh, Palki নচিংবা য়াওনা দান্স দ্রামা উৎতুনা শরুক য়াখ্রে। দান্সর অসি হোৎনবা কন্নবী, মণিপুরী জগোয়বু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবী বাংলাদেশকী মৈতৈ নিংঙোল অমনি। মহাক ২০২৫দা Sylhet Women's Chamber of Commerce না পীবা "Aparjita Award " ফংখ্রে। ১৯৮৩দা পোকপা Shontana নহা ওইরি। হোৎনবা লেপ্পা য়াদে। ইবেম্মনা ফংগে খন্না তাল্লিবা পান্দমদু য়ৌনবা হোৎনবা ঙম্বা ওইবীয়ুকো।

ইকায়খুম্নবা উৎখ্রবী দান্সর অহুম্মক মশা মশাগী পূক্নিংগী ৱারোল পীখি। মসিগী মতুংদা মণিপুরদগী থৌরম অসিবু শরুক য়াবা লাক্লিবা 'লৈকোল' গী ইচে এল সবিতা অমসুং ওজা এন রঞ্জনাবুসু লেংয়ান ফি য়ান্দুনা অমসুং মেমেন্টো পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপীখ্রবা তুং 'শাথৌলূপ' কী থৌনাওজম ব্রোজেন্দ্রো অমসুং কোন্থৌজম বোবিনবুসু লেংয়ান ফি য়ান্দুনা অমসুং মেমেন্টো অমমম খুদোল তৌদুনা ইকায়খুম্নখি। থৌনাওজম ব্রোজেন্দ্রো, মহাক্না লৌরিবা থৌদাং চাউই। প্রোগ্রাম হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবগী ভিদিও অমসুং ষ্টিল শোট লৌদুনা দোক্যুমেন্টেশন তৌবীখি। বোবিনসু অদু মঙাই থৌরম অসিগী অরোইবা প্রোগ্রামদি মহাক্কী ঈশৈনা লোইশিনগদৌরিবনি।

প্রোগ্রাম মখা চত্থরকপা ওইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা Makhan Chandra UNO (Upazilla Nirbahi Officer), Kamalganj না মহাক্কী ৱারোল, মশাগী বেঙ্গলি মরোলদা নীংথিজনা য়াম্না স্মার্ট ওইনা ঙাঙলম্লগা মশাগী অচিনবা অমা লৈবনা হেক লোইবগা চৎখ্রে, মথংদা সরতচান্দ থিয়ামনা অয়ূক্কী সেশনদা ঙাঙখিবা ৱারোলশিং অদুদগী ইতোপ তোপ্পা ৱাহৈ কয়া শীজিন্নদুনা মীয়ামগী থম্মোয়বু পেলহনখি। মথংদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী সেক্রেটরি ওইবিরিবা Dr. Elangbam Priyobrata না মহাক্কী গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীখি। তোয়না ৱা ঙাঙবা অমদি একাদেমিক লাইনদা লৈবনা খঙজিনবদা কান্নবা মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙচৎ অমসুং থৌরম অসিগা মরী লৈনবা ৱারোল কয়া থম্বীরম্মী। নুংঙাই তাবদা কান্নবা লৌশিং ওইহৌবা য়াবা ঙাক্তনি। মথংদা লৈকোলগী প্রসিদেন্ট ইচে চুংখাম সুবদনিনা ঈংনা তপ্পা চীং লেম্না থৌরম অসিগা মরী লৈননা ফজরবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া থেৎতুনা নুংশিরবা স্পিচ অমা ওইখি।

থৌরম মখা চত্থরকপা ওইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইরিবা সশিকুমার, রিটাইয়র্দ বি সী এসনা মহাক্কী ৱারোলদা হৌখ্রবা বাংলাদেশ মণিপুরীশিংগী নুংশিরবা ৱারী মতেক অমা পনখি অমসুং ঙসিদি বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদনা চহী ৫০ মপূং ফারকপগী সনা ফুদোংবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা হৌখ্রবা নুংশিরবা ৱাফম কয়া থম্বীখি। সশিকুমার অসি গভর্ণমেন্ট ওফ বাংলাদেশকী এদিশনেল সেক্রেটরি ফাওবা ওইরমখি। স্পেশল গেষ্ট ওইবিখিবা ওজা এ কে সেরামগী ৱারোল তেন্তক্না থমখি অদুবু মগুণ লৈবা এদ্রেস ওইখি। থৌরম অসিগী প্রসিদেন্ট ওজা এল প্রশান্ত কুমার, কনভিনরনা তেন্তক্না মহাক্কী নুংগী ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুবা তুং থৌরম মখা তারকপদা জগোয়-ঈশৈগী থৌরম কয়া উৎননবা থৌরাং তৌরে!!! (...মখা চত্থজরকখিনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।